**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কৌব্রু চীংশাং পরেংদা লম একর ১০৩ দা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

২) মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেলগী ঙসি ৮ নি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং য়াওনা মখল মথেলগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) য়ু.জি.সিনা লৈবাক অসিগী হায়র ইজ্‌কেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা মতম চানা পরিক্ষা পাঙথোকবা অমসুং ফাইনেল দিগ্রি অমদি সার্তিফিকেটনচিংবা য়েম্থোকবা খঙহনখ্রে।

**------**

পুলিস (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না কৌব্রু চীংশাং পরেংদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

পুলিসকী পাউগী মতুংইন্না সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফোরেষ্ট বিভাগ অমদি নার্কোতিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি)গা খুৎশমদুনা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কৌব্রু চীংশাং পরেংগী শরুক্তা চাউরাকা একর ১০৩ লোম পাক চাউবা মফমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাহংনখিবনি হায়রি। মসিগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরম্বা শঙ ৩০, হার বেগ ১৭, তিলহাৎ হিদাক পেকেট ৩৭, থুম বেগ ১৩ অমদি পোপ্পি থাবদা শিজিন্নবা তোঙান তোঙানবা খুৎশ্রু খুৎলায়শিংসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা মাংহনখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমদি তমগী মফম কয়াদা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চখরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- জিরিবাম জিলাগী মনুং চনবা নুংচপ্পী অমদি বিনসেলু অনিগী মরক্তা লৈবা উমংদগী খুৎশু খুৎলায়শিং ফংবা ঙমলে। খুৎলায়শিং অদুদি- পোম্পী অমা, পোইন্ট থ্রি-টু পিষ্টোল অনি, পোম্পী বোম অনি, কিলোগ্রাম অমা লুম্বা আই.ই.দি অহুম অমদি মিটর ২০ শাংবা কোরদেক্স ফংবা ঙমখি হায়রি। মসিগী মথক্তা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা কোন্থা অহল্লুপ মখা লৈকাইদগী মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা বোমগা কোন্ননা ফারে। আইন্না থিংখ্রবা লুপ কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই মরিসু তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফারেহায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

শঙাই (এল)ঃ মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেলগী ঙসি ৮ নি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং য়াওনা মখল মথেলগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

পেলেস কম্পাউন্দগী ভগ্যাচন্দ্র ওপন ইয়ার থিয়েটরদা মাইবী লাইচিং জগোই, তাম্বুল ত্রেদিসনেল দান্স, উত্তর প্রদেশকী আর্টিষ্টশিংনা এক ভারত, স্রেন্থ ভারতকা মরী লৈনবা জগোই, খারম ত্রেদিসনেল দান্স, থাং-তা অমদি মহা-রাস উৎকনি।

হপ্তা কাংজৈবুংগী ওইনা চকমা ফোল্ক দান্স অমদি ম্যুজিক, নিংথৌরোল শৈশক অমদি খুলং ঈশৈ শাকপগী থোরম পাঙথোক্কনি।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতনা ইন্দিজিনস অমদি এভেঞ্চর স্পোর্টস প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা, শঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ানিংদে, আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহল্লু হায়বা দাবীদা ঙরাং নুমিদাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈরা খোঙচৎ চৎখি।

মৈ (এল)ঃ থৌবাল মোইরাংজিংদা লৈবা য়ুম অমা ঙরাং নুমিদাং মৈনা চাকখ্রে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়- ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা মোইজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী প্রধান মুহামদ ৱালিসকী য়ুম মৈনা চাকখি। ইমুং মনুংদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না মৈ তাকপা অদু ইলেক্ট্রিক ৱায়ারদগী হৌরকপা ওইগনি হায়রি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা থৌবাল ফয়ার সার্ভিসকী ফয়ার টেন্দর অমা লাক্তুনা মৈ চাকপা অদু কনখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মনিপুরদা ঙরাং পুন্না মীওই ১৮ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়- রিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ২৭ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ৯ পোজিতিভ ওইখি। জেনিমসতা সেম্পল ২২ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৮ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি। লন্নাই ওইনা মীওই অমা টেষ্ট তৌবদসু মীওই অদু পোজিটিব ওইখি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৮ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইশিনবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

য়ুজিসি ঃ য়ুনিভর্সিতি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু.জি.সি)না লৈবাক অসিগী হায়র ইজকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা মতম চানা পরিক্ষা পাঙথোকবা অমসুং ফাইনেল দিগ্রি অমদি সার্তিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকবা খঙহনখ্রে। কম্মিসন্না হায়- মতম থিন্নবনা মহৈরোইশিং মশাগা চান্নবা থবক থিবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লি।

কম্মিসনগী চেরোল অদুগী মতুংইন্না প্রোস্পেক্টসতা য়াওবা একাদমিক কেলেন্ দরগী মতুংইন্না পরিক্ষা পাঙথোকপা অমসুং ফল লাউথোকপনচিংবা মতম চানা তৌগদবনি। পরিক্ষা হায়দোকখিবা নুমিৎ ১৮০ নিগী তুংদা মহৈরোইশিংদা দিগ্রি পীগদবনি। হায়রিবশিং অসি ইনদবশিংগী মথক্তা কম্মিসন্না থবক লৌখৎপা য়াই।

ফিয়ার ঃ ৪৪ শুবা ইন্দিয়া ইন্তরনেসনেল ত্রেদ ফিয়ার নিউ দিল্লিগী ভারত মন্ দাপ্পমদা ঙরাং লোইশিনখ্রে। ঙরাং অরোইবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা কেটগোরিশিংদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখ্রে।

পার্টনর ষ্টেট কেটগোরিদা রাজস্থানন্না সনাগী অমদি ফোকস ষ্টেট কেটগোরিদা ঝারখন্দনা সনাগী তকমান ফংখি। রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী কেটগোরিদা উরিষানা সনাগী, মধ্য প্রদেশনা লুপাগী অমসুং পুদুচেরিনা শেঞ্জেংগী তকমানশিং ফংখি। মন্ত্রালয় অমসুং দিপার্টমেন্টকী কাংলুপ্তুনা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না সনাগী অমসুং মাইন্স মন্ত্রালয়না লুপাগী তকমানশিং ফংখি।

অকাশবানিগা ৱারী শান্নবদা ত্রেদ ফিয়ার অসিগী মেনেজিং দাইরেক্তর ডাঃ নিরজনা হায়- চহি অসিদা মীওই লাখ ১৮ হেন্না ত্রেদ ফিয়ার অসিদা লাকখি। চাইনা, ইজিপ, ইরান, সাউথ কোরিয়া, থাইলেন্দ অমসুং য়ুনাইতেদ আরব ইম্মরেটস য়াওনা মপান লৈবাক অমসুং লৈবাক অসিগী একজিবিতর লিশিং ৩,৫০০ হেনবনা থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

দ্রৌপদি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা উরিষা বিধান সভাগী সদস্যশিংদা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌদুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা নুংঙাই য়াইফবা পুরকবা হায়রি।

উরিষা বিধান সভাগী নীংথম মীফমগী ঙরাং অহানবা নুমিৎতা রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়- ইং ২০৩৬ উরিষা শেমখিবা চহি ১০০ শুরকপগা লোয়ননা রাজ্য অসি চাওখৎপা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- উরিষা অসি লৈবাক অসিগী মাংজিল থাবা রাজ্য অমা ওইনবা মচাক মথুম

মরাং কায়না লৈ। শ্রীমতি মুরমুনা চহি ২৫ গী মমাংদা উরিষা বিধান সভাগী লেজিসলেতর ওইনা মহাক্কী রাজনীতিগী কেরিয়র হৌদোকখিবনি হায়না পনখি। উরিষা বিধান সভানা মহাকপু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কন্সটিট্যুসনেল ওফিস য়ৌবদা চাউনা মতেং পাংবীখি হায়নসু রাষ্ট্রপতিনা মখা তাখি।

উরিষা বিধান সভাদা ভারতকী রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংবা অসি মসিনা অহানবনি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি করনাতক্কী উদুপিদা লৈবা শ্রী কৃষ্ণ মথাদা চৎতুনা মফম অদুদা পাঙথোকপা লক্সা কান্থা গীতা পরায়ানা থৌরমদা শরুক য়াগনি।

মহাকা কৃষ্ণ সেংতমগী মমাংদা লৈবা সুবরনা ত্রিথা মান্তপাসু শঙ্গাগনি। শেংলবা লাইফম কনাতানা তিংবিদা লৈবা কালাকা কাদাচাসু শ্রী মোদিনা মীয়ামদা কৎথোক্কনি। তুংদা, শ্রী মোদিনা গৱাদা চৎতুনা সরভা পনচা-সতামানোপ-সভাগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ফুরুপ ৬ তা এস.টি. ষ্টেটস পীবদা অসাম কেবিনেটনা য়াখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদনা- অসাম কেবিনেটনা ফুরুপ ৬ তা এস.টি. ষ্টেটস পীখ্রবসু মণিপুর গভর্নমেন্টতি তুমদুনা লৈরি হায়না হেদলাইন পীরি।

অঙাংদা তমথিনা ফুবগী সেক্যুরিতি ফোর্সতা এদভাইজরি ইসু তৌখ্রে হায়না সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন পীরি।

এম.সি.পি.সি.আরনা এদভাইজরি ইসু পীখিবাগী পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি দ গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

ৱান নোর্থ ইষ্ট রেল্লি মীওই লাখ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে, ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নরবসি মপাঙ্গল কনবা অমত্তা তুহৎপা ঙমলোই। নোর্থ ইষ্টতগী অমত্তা ওইবা পাঙ্গল থৌনা উৎথোকপা মতম য়ৌরে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি এম.এল.এ- দিনগাংলুং গাংমৈনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, জেলিয়াংরোংগী লম খোপচিংল্লকপা অসি অচৌবা ইসু অমা ওইরে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসন কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবা পাঙথোক্ত্রিবা করিগীনো হায়না ৱাহং হংবা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি।

ইন্তরনেসনেল পোলোগী ফাইনেলদা মণিপুর অমদি কলম্বিয়া থেংনরগনি হায়বা হেদলাইন অসি মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- অমুর ফালকোন রন ২০২৫ পাঙথোকখিবগী পাউ হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

শঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকফমদা বোম থমজিন্নবা হোৎনবা কে.সি.পি.(এম.এফ.এল)গী মীওইনি হায়বা নুপী য়াওনা মখোয় অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে হায়বা পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

------